**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-01-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৭-০১-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- অপুনবগী শক্তম, শান্তি অমসুং চাউখৎপগী মাইকৈদা চংশিনবদা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরালনা ঐখোয় পুমমকপু লমজিংবীরি।

২) দেল্লিদা পাঙথোকপা গনতন্ত্র দিবস পালনদা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিশিং নিংথিনা উৎখিবা অদুদা রাজ্য সভাগী এম.পি সনাজাওবা লৈশেম্বনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) নিউ দেল্লিগী রেদ ফোর্টতা নুমিৎ ৬ নি চথুগদবা লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতি অমসুং লম কোইফমশিং উৎপা ফেষ্টিভেল-ভারত পর্ভ ২০২৬ ঙরাং হৌখ্রে।

----

**ডে (এল)ঃ** ৭৭ শুবা ভারতকী গনতন্ত্র দিবস পালন লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙরাং পাক শন্না পাঙথাকখি। গনতন্ত্র দিবস পালন অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ মখায়দা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা ফোল্ক দান্স কম্পিতিসন পাঙথোক্কনি । তুংদা,কুমসি চহীগী গনতন্ত্র দিবস পালনদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোক্কনি। মদুগী তুংদা, বেন্দ দিসপ্লে অমসুং বিটিং দ রিত্রিট থৌরম পাঙথোক্লুনা গনতন্ত্র দিবস পালন অসি লোইশিনগনি।

ইম্ফাল য়াওনা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতর্সশিং অমদি সব-দিভিজনেল হেদক্বাতর্সশিংদা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন ঙরাং পাক শন্না পাঙথোকখি। হৌজিকসু মখা তানা গনতন্ত্র দিবস পালন পাঙথোকখিবগী পাউ লাক্লি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহগী ময়ুমদসু ঙরাং ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শ্রী বিরেননা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়- অপুনবগী শক্তম, শান্তি অমসুং চাউখৎপগী মাইকৈদা চংশিন্নবা হোৎনবদা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরালনা ঐখোয় পুমমকপু লমজিংবীবা ওইরসনু। পালন থৌরম অসিনা ভারত সংবিধানগী মনুংদা য়াওরিবা অচুম্বা ৱায়েল, নিংতম্বা, থোঙ মান্নবা অমদি পুন্না চাউখৎমিন্নবা হায়বনচিংবা ফজরবা ৱাখল্লোন কয়া নৌহৌননা নিংশিংহল্লি।

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতর্সতা লৈবা তেংনৌপল হাই স্কুল গ্রাউন্দদসু ঙরাং জিলাগী থাক্তা গনতন্ত্র দিবস পালন পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনর শৌরব য়াদবনা জাতিগী ফিরাল পাইহনখি অমসুং মার্চ পাস কন্তিঞ্জেন্ট অমগী শলামি ওকখি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতিনসু গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম ঙরাং ইম্ফালদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা, এম.পি.সি.সিগী পসিদেন্ট কৈশাম মেগচন্দ্রনা জাতিগী ফিরাল পাইহনখি। থৌরমগা মরী লৈননা

ফোঙদোকপা ৱারোল অমদা শ্রী মেগচন্দ্রনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্তা ভারত সংবিধাননা পীরিবা হক অমদি ইকাই খুমবশিং অদু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। ঐখোয়গী মচ্ অহুমগী ফিরাল অমসুং সংবিধানবু ঙাক শেন্দুনা হেন্না চাউখৎপগী মাইকৈদা চংশিনমিন্নরসি হায়নসু শ্রী মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখি। গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম ঙরাং ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিদসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, নিউ দেল্লিগী কার্তাভায়া পার্থতা ঙরাং পাঙথোকখিবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমদা মণিপুরগী তেল্লো উৎখিবা অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী নাৎকী ওইবা ফিজোল, পুন্সি মহিং অমসুং চৎনবী কয়া মপুং ফানা উৎখিবা অদুদা মনিপুরগী নিংথৌ অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি সনাজাওবা লৈশেম্বনা নুঙাইবা ফোঙদোকখ্রে । ৱারোল অমদা মহাকা হায়-মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি, নাৎ-চৎনবী অমসুং হোৎনবা কনবগী শক্তমশিং মপুং ফানা উৎপা ঙমখিবা অদুগীদমক চাউথোকচবা পোকই।

**আর্মি (এল)ঃ** ভারত লান্মীনা শিন্দুনা মণিপুর অমসুং অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি । থৌরমশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা মহৈ তম্ফমশঙশিংদগী লাকপা মহৈরোই, ওজা, এন.সি.সি কেদেট, এক্স-সার্ভিসমেন য়াওনা খুঞ্জা কয়ানা শরুক য়াখি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ককচিং, চান্দেল, পল্লেল, মচি, য়াংগৌবুং, তেংনৌপল, উখ্রুল অমসুং কামজোংদা থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনবগা লোয়ননা মহৈরোইশিংগী ওইবা ক্বিজ অমদি নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

**কাউ (এল)ঃ** সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগী ৩৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। প্রাইদ এন্দ একাদেমিক দিসতিঙ্কসন

হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ভারত লান্মীগী থবক্তগী পোত্থারবা জেনরেল ডা.কোন্সম হিমালয়না অথোইবা মীথুং অমসুং য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেলর ডা.অনুপম মিশ্রানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা য়ুনিভর্সিতি অসিনা চহী ৩০ রোমগী মতম অসিদা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা শিক্ষা পীবা, থিজিন হুমজিনবা অমসুং লৈবাক অসিবু চাউখৎহন্নবগী মাইকৈদা অঙন্বা থৌদাংশিং লৌখিবশিং অদু শিংথাখি।

**অমুর (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী রেন ফোরেষ্ট ক্লব ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ঙরাং তমেংলোংগী দি.এফ.ও- খরিবম হিটলরনা ‘অমুরস জরনি টু কঞ্জার্ভেসন’ হায়না মীংথোনবা সোর্ট ফিলম অমা রিলিজ তৌখ্রে। অমুর ফালকোনবু য়োকখৎনবা অমসুং মখোয়বু ঙাকপী শেনবীদুনা থমবগী পান্দমদা মীয়ামদা হেন্না ৱাখল তাহন্নবগীদমক পুথোকপা সোর্ট ফিলম অদু রিলিজ তৌবগী থৌরমদা রেন ফোরেষ্ট ক্লব তমেংলোংগী ফাউন্দর, রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী হান্নগী দাইরেক্তর ডাঃ চন্বো গোলমৈ য়াওনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মরুওইবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। ফিলম অসি তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন্না পুথোকপনি অমদি মোরদেকাই পানমৈনা লমজিং লমতাকপনি। ফিলম অসিদা মরুওইনা মণিপুরদা অমুর ফালকোনবু য়োকখৎপা অমসুং মসিদা খুঞ্জাশিংনা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা উৎলি।

**বিরলাঃ** লোক সভাগী অধক্ষা ওম বিরলা অমসুং কেন্দ্রগী কলচর অমসুং টুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখৱটনা ঙরাং নিউ দেল্লিগী রেদ ফোর্টতা নুমিৎ ৬ নি চুপা চথুগদবা লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতি অমসুং লম কোইফমশিং উৎপা ফেষ্টিভেল-ভারত পর্ভ ২০২৬ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা , শ্রী বিরলানা হায়- ফেষ্টিভেল অসিনা লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি অমসুং ঐতিহাসিক ওইরবা মফমশিং য়াওনা

লম কোইফম কয়া মালেমগী মীয়ামদা হেন্না খঙহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অমসুং লমদমশিংগী নাৎ-চৎনবী অমদি ফিজেৎ চাকচানচিংবা কয়া উবা ফংগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি খা থংবা গৌৱাদা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়া ইনর্জি ৱিক ২০২৬ ভর্চ্যুএল ওইনা হৌদোক্কনি। মীফম অদু হেদোকপগী থৌরমদা শ্রী মোদিনা মফম অদুদা তিল্লিবা মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। থৌরম পাঙথোকফমদা কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরি, য়ুনাইতেদ অরাব ইমাইরেটসকী ইন্দিষ্ট্রি অমসুং এদভান্স টেকোলোজি মন্ত্রি ডা.সুলতান অহমেদ অল-জভর, কনাদাগী ইনর্জি অমসুং নেচরেল রিসোর্সেস মন্ত্রি তিম হোদসন, অফ্রিকা, মিদল ইষ্ট, সেন্ত্রেল এসিয়া অমসুং গ্লোবেল সাউথতগী লাকপা অতৈ মন্ত্রিশিংসু শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

গনতন্ত্র দিবস পালনগা মরী লৈননা ঙরাং প্রেস ছুতি ওইখিবদগী ঙসি ইস্ফালদা পাউচে অমত্তা ফোঙনদ্রে। অদুম ওইনমক, চীংগী জিলা খরদদি মহৌশাগুম পাউচেশিং ফোঙনরি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতি জিলাদা হুমফুদ্রা তরেৎ শুবা গনতন্ত্র দিবস সানয়ি দাহরি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবগী পাউ অমসুং এম.এল.এ এল.দিখোনা কাইবী চিবুলি স্পোর্টস কমপ্লেক্স শঙ্গাখিবগী পাউনা অহানবা অমদি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- মনিপুরদা হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি

ঐখোয় পুন্না হোৎনদুনা কোকহনবা মথৌ তাই হায়না তামেংলোং জিলাগী দি.সিনা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। 'অমুর্স জর্নি টু কঞ্জরভেসন' হায়বা সোর্ট ফ্লিম অমা তামেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসর খারিবম হিটলরনা জিলা অসিগী রেনফোরেষ্ট ক্লব ওফিসতা উৎখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তোরি। পাউ অসি- তামেংলোং তাইমসতনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

কাংপোকপী জিলাগী সোংলুং খুঙ্গংদা চথখিবা এত্তেক্ট অদু এন.এস.সি.এন(আই.এম)গা মরী লৈনদে হায়বা পাউনা- তামেংলোং তাইমসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরি।

**--পাউ লোইজরে--**